ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

ꯊꯥꯡꯖ, ꯃꯦ ꯲꯸, ꯲꯰꯲꯲, ꯏꯝꯐꯥꯜ

꯴꯶ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯶꯲ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ

থাংজ, মে ২৮, ২০২২, ইম্ফাল

৪৬শুবা চহী, ৬২শুবা মশীং

## মে ২৮

### মৈরা পায়বী নুমিৎ লাকপদা

মমাঙগী চহীশিংগুম্না লেপ্তুনা চৎলিবা মতমগী খোঙজেলনা ঙসিসু অমুক পুরক্লে - মে ২৮। নুমিৎসি চহী খুদিংগী লাকই অদুগা অমুকসু চৎখি। মীওইবা কৌবা ফুরুপসিনা মালেমসিদা লৈরিবা মখৈ নুমিৎ অসি লাকখিগনি। অদুবু নুমিৎসিনা চহী অমদা অমুক-মুক খক্তং লাক্লবসু নুমিৎসিগী ঈচেলনা মণিপুরগী মীয়ামদা পীররিবা নীংশিংবগী থৌদোক্তি নুমিৎসিদা অদুঙৈ কুমজা ১৯৮০দা পুলিসনা ফাদুনা গাড়ীদা হাপকৎলবা মীওইশিংগী মরক্তগী য়ূম্বান পুন্সিদা খোঙদাবা চহী ২ খক্তা ঙাইরিবী অদুগা চহী ১ রোমগী অঙাং চেনবগী মথক্তা থা ৫গী অঙাংসু নাওপুরবী মশাগী চহী ২৫ শুরবী ‘প্রিয়ারি’ না পুলিসকী গাড়ীদগী তারক্তুনা শিখিবা থৌদোক্তুনি। লৈখিদ্রবী মহাক গাড়ীদগী তারকপা ওইরম্বসু য়াই নৎত্রগা পুলিসনা ইন্থখিবা ওইরম্বসু য়াই। অদুবু থৌদোক্তুদা মহাক্কী পুন্সিদি মাঙখি। থৌদোক্তুনা মে ২৬, ১৯৮০দা পাৎশোই লমখাইদা সী আর পি এফকী পর্সনেল অনী শকখঙদবশিংনা হাৎলগা মখোয়না পায়রম্বা নোংমৈ অনী পুরগা চেনখিবা মতুংদা থোকখিবনি। থৌদোকসিদগী সী আর পি এফকী শরাক্তা তাদুনা মীশি-মীনা মায়োক্নখিবা পাৎশোই অমসুং লাংজিংগী মীয়ামগীদমক নুপী মীয়াম্না হৌরকখিবা অকনবা ঈহৌদা শরুক য়ারুবদগী প্রিয়ারিগী পুন্সি মাঙখিবনি। মহাক লৈখিদবা নুমিৎসিবু ঙসি ফাওবদা মৈরা পায়বী নুমিৎ হায়দুনা নীংশিং থৌরমশিং লেপ্তুনা পাঙথোরক্লিবনি। খুরাই সলানথোংদা লৈবা মৈরা পায়বীগী মীতমদা লৈ-শু কৎতুনা নীংশিংনরক্লিবনি। অদুবু নুমিৎসিবু নীংশিংদুনা পাঙথোরক্লিবা থৌরমসিগী নুংগী ওইবা ৱাহন্থোক্তি অন্দরগ্রাউন্দ ওর্গনাইজেসনশিংবু নমথদুনা লাকশিনবা য়াওনা অতৈ থবক থৌরমশিংগীদমক লৈরিবা মপান্দগী লাকপবু ওইগেরা, মণিপুরগী লৈজববু ওইগেরা খূৎলায় পায়বা পর্সনেলশিংনা মীচম মীয়াম্বু ওৎ নৈগনু, নুপী অঙাংশিংদা তাথী-তাওইনা তৌগনু, নুপী ওইবীশিংগী ঈকায়খুম্নবা মাঙহনগনু, মীয়ামগী পুন্সি মাঙহনগনু হায়বনি। অসিগুম্বা থৌওংশিং অসিগী মায়োক্তা লমদমসিগী নুপী মীয়াম্না খূৎতা মৈরা পায়দুনা লেপকনি। থৌনা ফনা থৱায় থাবা ফাওবা পাম্মুদনা লেপকনি হায়বনি।

মরম অসিনা হৌজিক লাক্লিবা ৱাহংদি অদুঙৈ কুমজা ১৯০৪ অমসুং ১৯৩৯দা অনীরক থোকখ্রবা নুপীলান অনীনা মথৌ শংখ্রবা নুপীশিংগী থৌনা লিংজেল হৌজিকসু হন্দনা লেঙদনা লৈরিব্রা হায়বসিনি। অদুবু ৱাহংসিগী পাউখুম মরাং কায়না অমসুং মতিক চানা, ৱাৎত-পাদনা লৈরি। মরমদি খূৎলায় পায়বা লান্মীশিংগী মরক্তগী মীচম মীয়ামগী পুন্সি কন্নবতা হোৎনবা নত্তনা নুপা ওইবশিংবু ময়াই কাবা য়ুগী ঈপাক্তা ঈরাক্নহন্দনবা মৈরা পায়বী নুপীশিংগী হোৎনজমন্দগী মণিপুরদা টোটেল প্রোহিবিসন এক্ট শেমদুনা চৎনহনখ্রিবনি। এক্ট অসিগী ৱাহন্থোক লৈহন্না মপূং ফানা চৎনহনবা হায়বদুগী মপূং ওইবা থৌদাংনা লৈঙাক্কীনি। লৈঙাক্না মায়পুননা হোৎনরক্লগা মীয়াম্না মতেং পাংশিল্লক্কদবনি। অদুবু হায়নীংলিবদি ঙসিমকসু মণিপুরী খুন্নাইদা শেমজিন শাজিনগদবা কোকথোং অমা লৈরিবনা মৈরা পায়বীশিংগী থবক থৌরমশিং হেন্না পাকথোক চাওথোকহন্দুনা মখোয়গী খূৎফম নাইহনবগী তঙাইফদবা লৈরিবশিং অসিদসু খূৎ থাবা মথৌ তারক্লে হায়বসিনি। পূম্নমকসিগী মনুংদগী অমা-নীদং খনগৎলবদা হৌজিক মণিপুর ময়াই কাবা য়াল্লবা দ্রগশিংগী ফাগৎফম ওইরি। ঙানি-ঈশিংনি খঙদ্রিবা নাগালেন্দগী পিছ টোকনা মণিপুরগী ঙমখৈ লোয়চেন্নরি। খাঙঙুথক্তগী লম্মখাংদা লাকখিবা মীওই খুজোক খরনা য়েলহৌ ফুরুপশিংদা শীংচেপ থাবা হৌরক্লি। মফম খরনা চঙবা য়ানি-য়ারোই হায়বগী ৱাফম ফাওবা কাঙথোক্লরক্লি। নুপী অমসুং অঙাংশিংদা থোকপা থোকহন্নীংদবা থৌদোকশিং থোকহন্দবা ঙমদ্রি। মরম পূম্নমক অসিনা হৌজিকসু মৈরা পায়বীশিংগী থৌনা হনবা য়াদ্রি। খ্বাংচেৎ মচি লাংদুনা পূম্নমক মায়রোং য়ানবা শেম-শাবগী মতম ওইরি। পাঙ্গল-থৌনা ময়েং তাহনবা য়াদ্রি। খূৎ থিংজিনফম থোকপশিং অসিদসু মতাং চানা খূৎ থাদুনা মণিপুরগীদমক মখা তানা হোৎনবনা নুমিৎসিগী থৌরম পাঙথোকপগী হেন্না ৱাহন্থোক লৈহনগনি।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৪২

১) কালিদাসকী **“রঘুবংশ মহাকাব্য”** হায়বসি মীতৈ শৈরেংদা কনানা হন্দোকপগে?

২) **“সেঙ্গোই সনা”** হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবনো অমদি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৩) পণ্ডিত নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্রগী পুন্সি অমসুং মহাক্না লীবিরম্বা ৱারীশিংদা য়ূম্ফম ওইদুনা ইবা লাইরিক্তুগী মমিং করিনো অমসুং কনানা খোমজিনবনো?

৪) **“নুংঙাইফম খঙদে-/নঙগী ৱাখলদা মঙ মঙবদা।/নুংঙাইফম ফংখিদে -/নঙগী মিংদা ডিপোজিৎ হাংঙুবদসু।”** শৈরেং মতেক অসি মপাল লমগী মচিন তুমখৎলক্লিবী অইবী অমগী শৈরেংদগীনি। অইবীসি কনানো? মহাক্কী করি লাইরিক্তা য়াওবা করি শৈরেংদগী লৌথোরকপনো?


৫) **“হে পারী! নপন্ ঐগী ইহকচাংসে খাম্ পি মৈদা ঈকলো। মালেম্ লৈরোল, মাপন্ না ‘কূ’ বু শাও। কোরৌ নোংলোল্ মাপন্ না ‘থক্ খল্’ শেমলো। থক্ খল্ মখোঙদি ‘থংচিং, মারজিং, ৱাংব্রেন, কৌব্রু’ মরি অসিনা ওইও।...”** ৱাহৈ পরেং খরা অসি কদাইদগী লৌথোরকপনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মে ৩০, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# তোন্না চাবা তোলোপ

**ৱাইরু-ৱাইরুবদা**

শ্রীবসন্তজীৎ থবক মচা অমা তৌজৈ। মীনদি তোলোপ চাওনা চানা উই। থবক মচা তোলোপ মচানি হায়বা ইকাউ কাউবী ময়াম্না। মখোয়’ লৈকায়দা হৌজিক অসি নহাশিংগী মরক্তা লৈঙাক্কী থবক-থানা তৌবা মী ইরৈ লৈতে। সিফাই মচা ওইবা, পুলিস মচা ওইবা অহুম/মরিবুদি অদুম লৈ। মখোয় খরা অসি মঙায়রে লৈকায়দুদা। শ্রীবসন্তজীৎতি সিফাই নৎত্রগা পুলিস ওইদে। লৈকায়গী মৌনহা ফোন অপাক অপাকপা পায়বী লাইরিক লাইশু হৈতবী, ৱারেম থৌরেম ঙাঙবী, মীঙোন্দগী খদ্রক মদ্রক খরা তৌরগা ক্বা লৈহন-লৈহন্দুনা চারগা নুংঙাইজবী খরনা মাবু তোলোপ লেম্না চারে হায়দুনা ঙাঙনবীবসু মানা তারকই। ওফিস কারগা নুমিৎ চূপ্পা অমা লুদো খরা খাউ, ৱারেম খরা ঙাঙ, ফোন খরা মেৎ অসুম লৈ হায়না মাবু হায়বি। থেংনা কায়, ঙন্না কুম্মী অসিনচিংবা কয়ানি মঙোনসিদা মাগী এটেন্দেন্স রেজিষ্টর শেন্নরগা মখোয়না ঙাঙনবীরিবসি।



মৌ লমহেনবীশিং অদুগী নুপা নুপাশিংদুনা নুমিদাংৱাইরম থক্লিবা, ঙাওরিবা ময়ামদু শ্রীবসন্তজীৎনা ৱাল্লগা মবুক কায়বমখৈ থকপনি হায়বসি মৌ লমহেনবীশিংদুনা ইখঙ খঙদবদৌনা তৌরি। অমরোমদমুক মঙোন্দগী থেংদোক্লগা মবুক কায়বমখৈ চাগে য়াদবা কাঙবুনা মাবু লীকই, হীংনি হায়না পাউথোকপীবসু য়াঙ্গোল অমা লৈ। মঙোন্দগী লেম্না চাবা য়ারগনা লীক্তে, ফৈ, মবুক ফৈ হায়দৌরিবা মী য়াম্না লৈ। শুনীংদবমখৈ শুনীংদ্রবী মায় মীৎ খরা য়েকশিল্লগা ফোন খরা য়েংলগা লৈরবী মখোয়নফাও মাবু লেম্না তোলোপ চারে ককাইনা হায়বমক অসিদি মওং অমনি লৈবাকসি। মানা ওফিসতা অচৌবা মীগী মখদাঙ মখা থাজরগা ইমুংদা থা অমগী খজিক খজিক উচেক মমানা মচাগীদমক মচিঞ্জাক পুশিঞ্জবদুমাইনা পুশিঞ্জদুনা নুংশিনা ইমুং মনুংগা চাজরিবা অদু কল্লক্নবা য়াওরমাল্লে হায়না মানা খঞ্জৈ।

তোলোপ হায়রগা চীনশঙবীশিং অদুনা খল্লিসি থবকপু তৌরবদি লোইনা চাওবা মান্নে সিনি। থবক মমিং তোঙান তোঙানবা ওইজরবসু, রেঙ্ক চপ মান্নরবসু মখোয় লোইনমক তোলোপতি চাওবা চপ মান্নে সিনি। তোলোপ হায়রদি মখোয় লোইনমক চপ মান্না থা থাগী শেল বোরা বোরা ফংদৌনা খন্নে। তোলোপ হায়বা ৱাহৈ অসিদি হৌবদগী লোইবফাওবা বনান চপ মান্নে। বনান মান্নজবগী ৱাদনি স্কেল খেন্নরবদি শেল ফংলকপদদি মান্নদে হায়বসি মীৎয়েকপীশিং অদুনা খঙজিনফদে। মীনা ৱানা ফংজদুনা চাজরিবা তোলোপ খরদুসু ফ্রীদা চাবনি, ফ্রীদা চাবনি হেক মহায়বীবা মসিদদি লোইরে শ্রীবসন্তজীৎ অদু। “দুদগীমুকসু মেরুক অমমুক ফংলিবা অদুসুমুক শঙবায়মুক ওইনা হেক্তা চাওনা উবিবা অসি মাগী প্রান চাকপা লোইজরে। মাবু লেমজা চাবনি হায়না মীনা হায়নরিবসি মানা অমুক্তংদি পাড়া তন্বীগে খনবা লৈ।

লৈকায়গী হনু হনা খুদিংমক্না খল্লিবসি মাদি তোলোপ চাওনা চারবনি, নুংঙাইরবনি অসিতনি। তোলোপ অসি পীকপা চাওবা নাই, তোলোপকী স্কেলগী মতুংইন্না শেল য়াম্না ফংবা ফংদবা লৈ। (মথক্তসু হৌজিক্তা পল্লপ তৌজখ্রবা) হায়বা মতাং অদিদি ইখঙ খঙশিন্নদবদৌনা ইকাউবু হেক কাউশিন্নবদৌনা তৌনরি অমদি লৈকায়গী করিগী শেল-নুং খায়রমদাইদনা মাদি তোলোপ চাবনিকা হায়না মঙোন্দা হান্না পাইশিন্নরক্কনি হায় অদুগা লৈঙাক্কী খুদোংচাবা অমা পীরমদাই মতমদনা মাদি থবক তৌবনি হায়না হেক্তা ইন্থোক্তুনা থম্বীরম্বগী মানা নুংঙাইজদে। অসিমসু মানা য়াম্না মবুক্লিং নুংশিজবা মতাংনি। তোলোপ চায় হায়দুনসু চৎথোকপা য়াদবা কোভিদকী মতমদদি চেঙ অদু শরুক থুংবীদে অমদি করি অমত্তা পীবিদে, তোলোপ অদুনা মাবু য়াম্না নুংঙাইহনবসু ঙমদা অদুগা শুক্লে লৈত্রবনি হায়না মীঙোন্দগী মতেং ফংবসু নত্তা য়াম্না থম্মোয় চাক্লা লেল্লি কায়নসু মানা তম্মকই।

তোলোপ চাওনা চাওনা চাবা মীগীদি অৱাৎপা লৈতে অৱাবা লৈতে। তোলোপ মচাসু চাজবা অদুগা মদু মেনখৎনবা হোৎনবা ফংজদ্রবা মাগুম্বা কর্ম্মচারিদি নুংঙাইফম খঙজপোৎ নত্তে কাইনসু য়াম্না হায়জরিনে মানা। মাগী তোলোপ অসিবু লেমজাগী টাইপ্তা খনবীবদা শ্রীবসন্তজীৎ মনা পায়বা য়াদ্রে। মখোয়গী লৈকায়গী মাগী তা কুবের হায়দুনা মঙোন্দা নহান নোংমা নুংশিজদুনা হায়ফেৎ লঙনবোই করিওই ফাগি তৌরুরমাল্লে মদুদা মবানী চায়নরমদৌরে।

শ্রীবসন্তজীৎনা হৌজিক ফাওবা চহী কুনমঙা হেন্না চাজরক্লিবা তোলোপ অসিগী মতেংদগী ঙসি ফাওবদা মানা বাথরুম, টোইলেট, কিটচন মতিক চানা য়াওরবা য়ূম অমা শাজগে খনবা মঙলান অদু মঙফাওনবা ইয়া য়াদনা লৈরি। মানা থবক তৌবা হৌরকপা মতমদগী লৈরল্লবা জিস্তঘনা কূপ্পা য়ূম মচা অসিদগী হেনগৎপা ঙমদ্রি। করিগুম্বদা লৈঙাক্কী থবক পুল্লপ পুল্লপ অমুক অমুক মীখল ময়াদা লৌরকপগা মতাং চানা চাননা য়ামখ্রগা লৌ-ইঙ্খোল য়োনবগী পাউ ময়াম অমা পাউচেদা হাপ্পরকপা মতমদা লৌ মচেৎ অমত্তা, ইঙ্খোল মচেৎ অমত্তা মানা লৈবা ঙমদে। মসিরা তোলোপ চাবা হায়বদো হায়না মানা মতোমতা শাউজরগা মমৈদা অমুক অমুক মপূক্লিং তেথজরগা লৈজবা অসিতনি। অসুম্মাইনা য়োন্নরিবা লৌ শঙম, লৌরাক ময়াম অসিদি তোলোপ শুকচা চাদবা ময়াম অমনা লোইনা লৈশিন্নখিবা ঙাক্তনি। ঙসি ঙসি মাগী ফংলিবা তোলোপকী চাং অসিদা তোলোপ চাবা মীনা করি হেন্নবু নুংঙাইরমগদৌরিবনো? মাগীসিদি তোলোপ চাবফাও নত্তে হায়নীংলকপা ও খোংনা কপ্নীংলকপা মতাং য়াম্না য়াওরবনি। তোলোপ শুকচাসু চাজদ্রবা থিকাদার অমনা লাখ কয়া কয়া পীবা গাড়ী লৈ লৈরগা তোংবা মঙম্মী অদুগা চহী কুনমঙা তোলোপ চারক্লবা মানদি তোলোপ চায়কাইদনা মখোঙ মরি পানবা গাড়ী অমত্তা ফাওবহেক লোয়জবা ঙমজদেদকো হায়দনা মবূক্লিং নুংশিরকপা মতাং মতাং য়াম্না য়াওখ্রে। হৌজিক্কী মতমদা তোংনরিবা অতাঙ-অতাঙবা কার অমগী মমল অসি মানা থবক হেক চঙলকপদগীনা পেন্সন চৎপফাওবদা ফংগদৌরিবা তোলোপতুনা পাশিন্দুনা য়েংবদা য়ৌবা ঙমদে। সিদবু মাগী তোলোপ অসি মীনা মমীৎতমক মচাউবা মাগী হিংবগীদি চরা হেন্দনবখক্কীদমক মওইবা ওইনা থোক্লি। তোলোপ মতা অসিনা মচাশিং অদু মীনা ফৈ হায়নবা স্কুল অমদফাও থাবা ঙমজদে। তোন্না চাবা তোলোপ ওইনা থোক্লে মাগী মফমদদি। ●

# হীদাক কান্নরবা পাম্বীশিং ঃ মুকাকলৈ # ৩৪৩

– ডা. হুইদ্রোম বীরকুমার –

সী এস আই আর ঃ নোর্থ ইষ্ট ইন্সটিট্যুট ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি, লম্ফেলপাৎ

মালেমগী অয়াম্বা মফমশিংদা লৈতেংগীদমক্তা য়াম্না পাক-শন্না অমদি পাম্না থান্নবা পাম্বীশিংগী মনুংদা মুকাকলৈ হায়রিবা পাম্বী অসি থোইদোক্না শীংথানৈ অমদি পাম্না থানৈ। মুকাকলৈ পাম্বী অসি ইংলিসতা মার্ভেল ওফ পেরু (Marvel of Peru) নৎত্রগা ফোর ওক্লোক ফ্লৱার (Four O'Clock Flower), বেঙ্গলিদা সন্ধ্যামনি (Sandhyamani), অসামিজদা গধুলি গোপাল (Godhuli Gopal), বাংলাদেশীদা সন্ধ্যামালতী (Sandhyamalati), উর্দুদা গুল আদনান (Gul adnan), সিনহালাদা হেন্দিরিকা (Hendirikka), থাইদা বনয়েন (Banyen), মলেসিয়াদা সেরোজা (Seroja), জপানিজদা ওসিরোই-বানা (Oshiroi-bana), সাইন্টিফিক নৎত্রগা বোটানিকেলগী ওইবা মমিংদা মিরাবিলিস জালাপা Mirabilis Jalapa L.) হায়না কৌই অমসুং নিক্টেজিনেসী (Nyctaginaceae) শাগৈগী মনুং চল্লি। শাগৈ অসি ফোর ওক্লোক ফেমিলি হায়নসু খঙনৈ। শাগৈ অসিদা চনবা মরু ওইবা পাম্বী খরদি চেরৈ পাম্বী - বৌগেনভিলিয়া স্পিসিস (Bougainvillea Spp.), স্প্রেদিং হোগ-ৱীড হায়না কৌনবা বোরহাভিয়া (Boerhavia spp.) অসিনচিংবনি। পাউদমশিংগী মতুংইন্না শাগৈ অসিগী মনুংদা স্পিসিস ২৯০ রোম লৈ।

মুকাকলৈ পাম্বীগী বোটানিকেলগী ওইবা মমিং মিরাবিলিস জালাপা অসি কুমজা ১৭৫৩দা অহানবা ওইনা কার্ল বোন লিন (Carl Von Linne) হায়রিবা অফাওবা বোটানিষ্ট অসিনা থোনখিবনি। লেটিনগী ৱাহৈদা মিরাবিলিস হায়বদি "admirable" হায়বদি পূক্লিং শুমহৎনীংঙাই ওইবা অদুগা জালাপা হায়বসিনা মেক্সিকোদা লৈবা জালাপা হায়রিবা সহর অসিদগী লৌদুনা থোনখিবনি। শম্না হায়রবদা মুকাকলৈ হায়রিবা পাম্বী অসিগী লৈ অদুগী মচু অদু পূক্লিং হুনা ফজদুনা শুমহৎনীংঙাই ওইবা অদুগা মেক্সিকোগী জালাপা হায়রিবা সহর অসিদা য়াম্না পাক-শন্না হৌবদগী থোনখিবনি হায়না পাউদম্লি।

মুকাকলৈ হায়রিবা পাম্বী অসি চহী অমদগী হেন্না পুন্সিবা ফুট ৩ লোম ৱাংবা অথোৎপা পাম্বী অমনি। পাম্বী অসিগী থোইদোকপা মগুণ অমা হায়রগদি অয়াম্বা মতমদা য়াম্না য়াকপা মঙ্গ্রা মচুগী মাইক মানবা লৈশিং শাৎচরবসু পাম্বী অদুমক্তদা অতোপ্পা মচুগী লৈশিং - অঙৌবা, হঙ্গাম মপাল অমসুং শংতক তৌবা লৈশিংসু পূন্না শাৎপা থেংনবীগনি। পাম্বী অসি ফোর ওক্লোক ফ্লৱার হায়না কৌনবগী মরমদি লৈশিং অদু নুমিদাংৱাইরম পুং ৪গী অদুৱাইদা তোয়না শাৎকনবা অদুদগীনি। লৈ অদুগী মনম অদু হীদাক মনা পাম্বীগী লৈগী মনম চেনতক তৌনা নুংশি। লৈশিং অদু লাবা-অমোমগী কয়াৎশিং অদু স্ফিঙ্কস মোথস (Sphinx moths) কৌবা মৈরাম্বী অসিনা হকতিন্নহনবগী (Pollination) থৌওং অদু তৌই। মুকাকলৈ পাম্বী অসি অমেরিকাদগী হৌরকখিবনি।

মুকাকলৈ পাম্বী অসি মীওইবনা হীরম কয়ামরুমদা শীজিন্নে। য়াম্না তোয়না চানদ্রবসু মুকাকলৈ পাম্বীগী মনা অমসুং মতোন অদু এঙ্খাং থোংদুনা চানবগী পাউদমশিং লৈ। মুকাকলৈ পাম্বীগী লৈদগী লৌবা মচু অদু এঙ্খাং থোংবদা মচু ওইনা শীজিন্নে। মরু ওইনা কেক্ অমসুং জেল্লি শাবদা মুকাকলৈ পাম্বীগী লৈগী মচু অদু শীজিন্নে। মুকাকলৈ পাম্বীগী মরূ অদু তকখায়রগা মায়তৈ হীদাক মখল খরা শাবদা শীজিন্নবগী পাউদম লৈ অদুবু মরূ অদু চাবদদি হু চেল্লি হায়দুনা চানদে। হু চেনবা লৈবাক লৈহাওদা মুকাকলৈ পাম্বী অসি থাবদা লৈবাক অদুদা য়াওরিবা হু মখল খরদি চুপখৎপা ঙম্বা মরম্না অমোৎপা লৈবাক অদু শেংদোকহন্নবা থানৈ। Shishir অমসুং মহাক্কী কাঙবুনা কুমজা ২০০৮দা পীখিবা পাউদমগী



মতুংইন্না মুকাকলৈ পাম্বীগী মপাল অদুদগী লৌবা মচল অদু মহৌশাগী ওইবা অশিন-অয়াক ওন্নবা (pH indicator in acid-base titration) পান্থে ওইনা শীজিন্নবা য়াই। মসি শেলসু ইচং চঙহন্দে।

অনা-লায়েং মখল কয়াদা মুকাকলৈ পাম্বী অসি হীদাক ওইনা শীজিন্নে। পাউদম অমগী মতুংইন্না পাকিস্তানদদি মুকাকলৈ পাম্বী শুগায়রগা লৌবা মহী অদু অশোক-অপন অমদি শীংলি-নাওরি থুপ্তুনা চিকপা-নাবা তৌবা অদুদা চাং নাইনা তৈদুনা লায়েংনবগী মথক্তা তাইফোইদ (Typhoid) কী অনা-লায়েংদসু শীজিন্নে। মেক্সিকোগী মীওইশিংনা মুকাকলৈ পাম্বীগী মনা অমসুং মতোন অদু শুগায়রগা শুমদুনা লৌবা মহী অদু পীথক্তুনা খোঙ হামথবা অদু লায়েংনৈ। চাইনাগী অরিবা অনা-লায়েং পথাপ্তা মুকাকলৈ পাম্বী অসি দাইবেটিস হায়বদি ঈশিং-পুকচৎকী হীদাক-লাংথক শাবদা মরু ওইবা মচল অমা ওইনা শীজিন্নে। লেতিন অমেরিকা অমসুং খা অফ্রিকাগী মীওই কাঙলূপশিংনা কনাগুম্বা মীওই অমা অরিবা অমাংবা য়ৈখৎতুনা লৈবদা মুকাকলৈ পাম্বীগী মরা অদু শুগায়রগা লৌবা মহী অদু পীথক্তুনা অমাংবা অদু খোঙ হামদোকহনবা ঙম্মী হায়দুনা শীজিন্নবগী পাউদম লৈ। কনাগুম্বনা হু চেনবা চিঞ্জাক চারুরবদি হায়রিবা অশেম্বা মহী অদু পীথকপদসু চাকখাওদা লৈবা পোৎলমশিং হায়বদি হু চেনবা চিঞ্জাকশিং অদু মপূং ফানা ওথোকহন্দুনা লায়েংনৈ হায়নসু পাউদম অদুনা মখা তারি।

অতোপ্পা পাউদম অমগী মতুংইন্না মালাগাসী (Malagasy) হায়রিবা লমদম অদুগী মীওইশিংনা মুকাকলৈ পাম্বী অসি থীবোং-থীরিলগী অনা-লায়েংদা হীদাক ওইনা শীজিন্নে। অদুবু মতৌ করম্না শীজিন্নবগে হায়বগী ৱারোলদি পন্দে। ভারালি অমসুং সাহানা কুমজা ২০১৭তা পীখিবা পাউদম অমগী মতুংইন্না মুকাকলৈ পাম্বীগী মনা অদু ইথানোল হায়রিবা য়ু মখল অসিদা শুগায়দুনা লৌবা মহী অদু তোংশা কায়দুনা চীকপা-নাবা তৌবদা থোইদোক্না কান্নবা ফল পীবা ঙম্মী হায়বদি লেবোরেটরিদা চাংয়েং তৌবদা খঙবা ঙমখ্রে। অরিবা লায়েং পথাপ্তা মুকাকলৈ পাম্বীগী মরা অদু নুপা-নুপীগী ফম্বী ফগৎহনবা ঙম্মী হায়নসু শীজিন্নবগী পাউদম লৈ।

ত্রোপসী হায়নসু খঙনবা মীওইবগী মশাদা ঈশিং নৎত্রগা মহী পৈখত্তুনা পোম্বদা শীজিন্নবা হীদাক শাবদা মুকাকলৈ পাম্বীগী মরা অদু মরু ওইবা মচল অমা ওইনা শীজিন্নে। লেপ্রোসী হায়বদি কুষ্ঠি থুংবদা মুকাকলৈ মরা তকখায়রগা তৈদুনা লায়েংবগী পাউদমসু লৈ। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।